
# উংখংলক্ত গুলাব

# ভিংখংলক্ত গুলাব

শ্রীঐচঃ কুলচন্দ্র সিংহ

অকোংবা :—অইবা




অহানবা থুৎনম

কপি মশিং—১০০০



( খত মাক্লি )

মমল -সুপা ২'০০

কৎচবা

নচানা নবা ওইরিঙৈদা
তায়বং খোঙচৎ লোমখিবা
পন্থৌ ৮গুলাবকী খুন্নাদা
কৎচরি তিংখৎলক্লা গুলাব

কৎচরিবা—
শ্রীঐচঃ কুলচন্দ্র সিংহ

# রাহৈ অমতং

পাণ্ডুলিপিগী কবিতা খরা অসি মৈতৈগী হৈবাং-লৈবাংলক্ত ঙাল্লিবী সাহিত্য লৈকোলগী মবেম্বগী খুদাদা কংচনিংলুবদগী সাহিত্যগী হৌনবী খংদনা শৈরা জখি। লাইরিক মচা অসিনা মহামগী সেনা খংনবা হোৎনজবদ পুকচেল চাউবরা ভদ্রলোকশিং শ্রীরাজকুমার সনাকোম্বা সিংহ, শ্রীএচঃ শ্যামকিশোর শর্মানা শেলগী অযাম্ব শরুক পীরিখি। লাইরিক অসিবু অরাঅনা শাউতুনা পাবীবগা মমল নাইদ্রবা মত পীরিবগীদমক্তা .ঙাংনামল টংৈ। শিক্ষা বিভাগ, মণিপুর সরকারনা শেলগী তেংবাং পীরিবগীদমক পুক্ষং শিংচেমদবা লম্বন তৌজখি। অকেনবা মখমগা মসুদ নমখিবনা তরানবা কয়া যাউরিবরবস্ত ওয়াকশীবা অমস্ম খগংনবগী মহৈদা থাবগীশিরবদি হবাং-হবাঙ লৌজগনি।

থাগৎমকবিরা —

**শ্রীএচঃ কুলচন্দ্র সিংহ**

৩১।৭।৭১

# ৱাহৌদোক

মীওইবনা পুক্নিংগী শোংলবা মোংশোং কয়া লৌশিংগী পাঙ্গম্না মাংহন্দুনা অনৌ-অনৌবা লৈরাং পাম্বী কয়া থানজুনা লৈনম য়েম্মরি। লৈরাংগী লৈনম কংলগা পুক্নিংদা চরাওবৈ, নুংঙাইবৈ, তুজুংবা পোকবৈ। লৈনম্মা হারবা মালেম অসিদা অসিগুম্বা অনৌবা লৈপাম্বী "তিংথ'লক্ত গুলাব" অসিসু অমনি। তিংথং পান্দুনসু গুলাবপু লৈকোলগী রানী হায়নবগুম শ্রীঐচ, কুলচন্দ্র সিংহগী শৈরেং লাইরিক অসিনা মৈতৈ সাহিত্যগী কাব্য কুঞ্জদা রানী অমা ওইরোই কদি হায়নিঙাই ওইবগে? লাইরিক অসি শৈরেং মচা মচা নিফনা থাবনি। মসিগী মনুংদা তাবদা পুক্নিং থিংজিন্দবা রাদবা শৈরেংনা নমই। অমতং লৌখত্নুনা য়েংসি

"চৎখ্রবসু লাক্নি খঙদে
থোংগী শোসু য়াওদে
চংপদি শোয়দনা চৎকনি"
ঐনা খঙন্দ্রিবা ন্নমিৎতনি।
(চৎকনি ঐতাকসু শোয়দন')

কয়াদা ৱাংখ্রবা মীওইবগী শোয়ররোইদবা থোংচৎসু পরেং মরিগী ঈশৈ অসিনা কোংদোকলিবা অসিদ'নত্তে মক্ম মফমদা লৈনম চেল্লবা লৈরাং-লৈচন কয়া য়াওরি। ঐনা আশা চাউনা তৌই মৈতৈ সাহিত্য লৈকোন্দা লৈকা ফম্না শাত্তুনা মাগী লৈনমদগী মীপুমতিংনা লৈ থিনররুগনি। শ্রীকুলচন্দ্র সিংহদগী ঐখোইনা আশা তৌনিঙাই য়াম্না লৈরি।

শ্রীরাজকুমার স্নাতোম্বা সিংহ
হেড মাষ্টর নম্বোল কালিজিরেং
হায়স্কুল, নম্বোল

# অভিমত

শ্রীএচ, কুলচন্দ্র সিংহ বি, এনা ইবা "তিংথংলক্ত গুলাব" হৌবদগী লোয়রবা ফাওবা পারে। লেখকনা অহানবা কলম ওইরনদ—রস, অলঙ্কার, গেলা অমসুং কাব্য রস মরু ২ কাবনা উবা ফংই। হেৎগৎলক্লিবা নংলোল সাহিত্য প্রেমীশিংগী মহুংদা গৈতে সাহিত্য গবেষণাগী থোংদা খুঙ্গি কৎলবা অহৈবাশিংগী মনুংদা অমা ওইরকপগী আশা লে।

শ্রীএস, ইবোতোম্বী সিংহ
হেড মাষ্টর, নারী কল্যান বিদ্যালয়
নম্বোল অরাং লৈকায়।

তাং ১০।২।৭১ ইং

# তিংখং লক্ত গুলাব

'বন্দনা'

মত্তম নত্তনা কাব্য কুঞ্জদা
লৈরাংগী লৈশাং লৈরি লৈকাদা ।
খোংলি খোইমুগী খোন্নোবা খোন্থা না
ওসি নচাশিংনা ওক্রি তাইবঙদা
অয়ুক অঙনবগী দেবী উষান
হেয়াং খুজোক লৈরাং খুজোক্লা
লৈশি লৈথোক্লে লৈপাক লৈমদা ।
মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলগী লৈরাংবীনা
অঙনব অয়ুকী অনৌবা লৈনাদগী
পুরক্লে পুষ্পাঞ্জলি গীত অঞ্জলি
অশোয় অঙাম শেঙ্গীয়ু দেবী ।

---

## নোংঙানবা

চিঙ্খৈ ফিজৎ হায়দোক্লে
মীকপ পাউক্তুল থারক্লে
ক্লাক ক্লাক কৌরক্লে।

শোঙ্গল উন, ময়াদা
শা কৈগী কাংবুনা
মীকপ তু লি য়াংলিরে।

অহিং নাইরেগী উকশনবৈ
অত্তুনা তাকৈবা মণিস্থ
তিংখৌ মঙোন্দা মীকপ্প।

কৈথ - হজিংগী কৈ-কান্দা
কৈথাং হজিংগী কৈশানা
কংলক্ত মপুগী চরণ্ডা

লৈনম্বু কৈথাগী শাংকাংবা
মশয়া মালংনা পুতুনা
কংলক্লে খুরমে থুয়াদা।

মাঙেন লৈপাক লৈমনা
খুংকা লৈচন কত্তুনা
খুকল্প শেম্বাবা মপুদা

লোইরেক শংদোন্দা মপুনা
চানবা মীংথং য়েংদুনা
পৌবিরে মঙ্গল চৌবদা।

# চংকনি ঐহাকস্থ শোয়দনা

চংকনি ঐহাকস্থ শোয়দনা
স্থমিংতনি ঐনা লেপথ্রিবা
ঐগী লাকফম তায়া
ওরাংগী অকিব কাউতুনা
হয়েংগী খোয়মাংবা কাউতুনা
ভাইহাকুং পোখারব তুংদা
চংকনি ঐহাকস্থ শোয়দনা।
ইনা পোগারোই ঐহাক
চংগ্রনস্থ লাকনি খড়াদ
খোকগম া স্থ খণ্ডদে
ংগী োস্থ য়াওদে
চংপদ শায়দনা চংকনি
না খড়াদ্রনা স্থমিংতনি।
লম্বীত্রু কনানস্থ তাক্রমদ
ঐনস্থ কনাদা হংলুদ।
চংকনি ঐহাকস্থ শোয়দনা
স্থমিংতনি ঐনা লেপথ্রিবা
ঐগী লাকফম তায়া

---

# হয়েং নোংমাইজিংনি

ইমা !

হয়েং নোংমাইজিংনি
ঐহাক স্কুল কাগ্নোই।
নোংপোক চীংদোন্দগী থাঙ্গস্থ
ছুটি থাগ্রে লাক্লগ্নোই।
সমুদ্রগী ঈথক্ত থাবলনা
চৎলগ্নোই চীংমায় ফাওনা।
অমুক্কী লৈচিলনা শুমাংদা
উচেক মচানা মকোন্দা
লৈরম্মনি ভুমিল্লা কুন্দুনা।

---

# পাওনাগী মোংফমনাক্ত

হে বীর !

নঙদি চীংগী লৈতঙায়দা
অচীকপা অহিংগী অমম্বদা
ভীষ্মগুম তেনগী শয্যাদা
য়াত্তারিংবাই ইংনা চিক্না
লৈগী শয্যাগুম থোংলবা।
নংগী শ্মশান, স্মৃতি-চিহ্ন
শোকচবা মীংবুপ্তা পুন্যামৃত
ফংগুম্নি ঐগী থম্মোয়না।
১৮৯১ মণিপূর ইতিহাসতা
চেনাদ চেন্থরকপা ঈগী লৌখোদা
নংগী ঈনা-ঈনোং হাপখিবা।
মাংশিংলি এপ্রিল তাং ২৩
শগোলশেন হুমিংকী লাঙ্গংদা
থাঙগী জগোয় লোইশিল্লক
ইমাগী অরাবা উবা য়াদ্রবা
নংগী শিংলিগী ঈগী লৌখোংনা
খেব চীংমায় চামখিবা
পূণ্য তীর্থ ওইহনখিবা।
কপ্লি ইমানা খুদাং পিফম্না
নংগুম্বা মৈতৈগী বীরনা মাঙখিবদা।

বীর ! নঙগী আম্মানা পোথাউ
ঐগুন্দা য়েংনিংবা কনা লাক্লবস্নু
নঙগী শান্তি কুঞ্জসে য়েংলসনু
য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা ঙাকপীত্রবা
চিহ্নসে নঙগী মোংম কায়রবা
উরুবা খুদক্তা কনাগুম্বা
মাতৃ প্রেমগী ঈরিক'মতং ।
কংসনু দেশ ভক্তদ' ঈ।
চেপ্পিংহৌরো, যাত্রাবীরা ঈংনা
ঙাইবীরম্মু মতম'তু ফাওবা
ঙক লৌশী' লৌশী'না
ইমাগী নী'তমগা শিন্নবা
লাকপা ম্নুমিংতু ফাওবা ।

---

## ঊনাগী খাংপোক্তা কৌরি

ইরৈব'ক ইচাত্তিবু নিংবা
মচাশা থৌনা লৈবা
ঐ'খায় নখোয়গী লৈরম্বা
মৈয়া নিং'শিংসি লংলবা

ঐখোয় পুম্বনু বিদেশতা
জাতিনি ইকায় খুম্নরিবা।
মতিক মগুণ থিরুসি
লৈকাং চায়' ভাবুম্নুংদৈ।
জাতিগী ইজ্জং ভারুবা
সক্রুগী থোনা লৈবা
ভাকয়েন লানদা থেংনখিবা
মণিপুর ইমাগী সম্মানগী।
অর্জুনগী জয় তৌভম্বা
লমদমনি থরায় মাঙলুবা।
য়েকৎনবনা হেক্তিনবা য়াত্রবা
লোয়ম্বা, পুয়াম্বাবা, উয়াকোম্থোবা
গম্ভীরসিংহ এখোয়গী থোনা লৈবা
ক্যাংখম্পাং চৎখগী ক্যামা;
মুংখোং মুংয়াং ভম্বা, মুংয়াম্বা
থাগী জয় ওইবা খাংগম্বা
ভাগ্যচন্দ্র, টিকেন্দ্র, থাঙ্গাল, পাউনা
নোংশানি মায়োক্তা য়েকনবা
মমোম্লোই মণিপুর ইমাগী
লৈমহন লিম্থোক্ত ভনবাগী,
অক্না লানফমগী ভৈরবীগী
মগুণ থিরুসি মাগী
লৈকাং চায়' ভাবুম্নুংদগী

ফদি ফরা য়োম্লগা
কত্রংগী লংজানা কিরগা
থম্‌থিবা- থিরুসি পুম্লগা ।
চৎসি চিংলম্বা লম্বীদুদা
তাউথদ্রিঙৈ লেপত্রবা ঈচেলদা
থেংলুপ্লিঙৈ মতম' ঈরৈদা ।
শিব দুর্গাগী শাম্নপুংদা
অনন্তনা মনি চাইবা থেল-দা
নোংচুপ লমগী মুংশিংকা
নোংপোক্লমগী মুংশিংকা
কুমবী কালেন য়ৈবনা
সমাজগী অশুনবা ইচেলদা
কপ্লি কিক্রবী ইমানা
অমম অঙাল অনিদা
কৌরি মচা- মশুশিংদা
কৌরি উনাগী থাংপোক্কা ।

---

# খোংজোম তীর্থনাক্ত

হে পুন্যবর তীর্থরাজ !
অরাবনি নংগী দশা !
মতম 'মদা নংনা
চেল্লিগৈ নশা - নরেংফম্না
উহৌদ্রে-কয়াদা ফজরমগবা !
ঙসিদি ঈকং ওইনা
কংশবদি নো'ম নো'ম
চংখিন্নু ! চেম্বখো চেম্বখো ।
মমা নীংবা মচা
চাম্ম - চাম্ম চঙলক্লুনা
য়েক্ল 'ঙক চাবদা ঙাঙলবা
চায়্নখিনি বীর লীশিংগী থাংশাং
নংগী ঈঙাং ইখেং ইচেলদা ।
নিংশিংউ ! নিংতম্বা নিংবা নোংশা
লীশীং লীশীং লোত্তুনা লৈরি ।
ইমাগী লম্ন্নগী - লম্মনগী য়েকন'গী ।
ইতিহাসকী চেনাদা চেল্লি নঙনা
লোত্তুনমু মাঙবা য়ারোই নংনা,
পূকনিংগী থোনা পীরী নঙমা,

মমা নিংবা বীর-দা নংনা।
ভায়খো! লৈখিন মীংয়েংগী য়াংমদ।
য়েকন লীশীং লীশীংগী 'ভক্তগী
তারকপা ইথেংনা আহুতি হোমগী
য়ন দেবীদা কৎখিবা নিংশমগী
তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা নঙগী
জয়ধ্বনি লাউখিবা ইমাগী
মচা লক্কা লৈরি ইমাগী
লুপখিনু হে তীর্থরাজ!

---

## হে ভগৱান্

হে ভগৱান!

নংনি চানবীহৈবা
জগৎপু শেম্বীবা
তায়বংবু ভাকপীবা।

হে দয়াময়!

যেক্ক' মরুপ নাইদনা
অপামবতা পীনবিদা।
নিংজব'পূমবা থুংহনবীবরা

মচা ওইনা নিজবা
বাসুদেব-দেবকীনা
পমজখি মতনবাক্তা
নংবু মচা ওইনা।
য়েক্ক ওইনা নিজবা
নাপন চাওবা কসদা
নীবা পুম্বা পীনবা
তায়বং ইপাক লাম্বীহুনা,
মুনি ঋষি বয়ানা
চহি কয় তপস্তা
খুযা থম্বাল নিংজবা
পীনবা নিংজবা রসনা
অনন্তগী মচিন লিশিংনা
ব্রহ্মাগী মচিন মরি-না
নগুণ শকপদা পেন্নাইদ্রবা
নংনি হে ভগবান।

---

# স্মুরনি নংগী

অম্লা অনাগী কায়না মৈশাগী
রাগদা ঈশৈগী মুংগুম্না গুম্নবী
স্মুরনি নংগী - নগী স্মুরনি ।
শমজোয নাপগী ৱাখল মালগী
ৱাখল মাংগী শউমদা চাইরবী
ৱাখংদ লুপ্লবী লুপ্লবী ৱখলগী
স্মুরনি নগী নংগী স্মুরনি ।
কায়না খোঙ্গাগী স্মুরদা মেত্রাপকী
মী স্না তরংগী গুবানও নোংলকা
স্মুরনি নগী - নংগী স্মুরনি !

---

## মহাকস্নু নংগুমবনি

মপুগী অহাংবা মালেমদা
িংচুংশি য়াওব্রবা লানা
থাকনু শিনথুন ফত্রংব
নহাক্না ভীবনু তোল্লবা ।
শাদানবা ! অমুক্তা ভাইখো
তহা তহাগনু তপথখো ।

তেন্দোংদগী তেন্না থমখো।
পাইরীবা থর্‌য়গী কি[illegible]না
চেক্লাদা তথক্লা খো[illegible]লিবা
থাখিন্ন অমুক[illegible] [illegible]ন্না
হিমাগী [illegible] তত্রদা।
নাপ [illegible]না [illegible]
থাখো [illegible]িব অ[illegible]
হজিনু [illegible] দা[illegible]
শাম্নসমু পা[illegible] [illegible]।
ম[illegible] ন[illegible] [illegible]
খনখো অমু[illegible] [illegible]।
[illegible] অক[illegible] [illegible]বা
[illegible] হখনি কাউগমু অ[illegible]।
[illegible] [illegible] বম[illegible]।
[illegible]না [illegible]
মহ[illegible] ন হখনি শ[illegible]নবা।

---

# শরৎকী অহিং

থাজগী থানিম্না লুপাগী
ওইরে মালেম লুপাগী ।
মায়কৈ মরি চীংগী
চীংতুম্ন শেম্লে লুপাগী ।
য়ুমগী য়ুমথক য়োম্লা
কুপ্লে লুপা মপাক্লা ।
পাংকী পাংমায় পানা
তনিক্লে লুপা মহিনা ।
ইমাযগী লুপাগী থাবলদা
থল্লে মনিগী মহিনা ।
লৈরাংশু নিংথৌ ঙুরেলগী
শাংকায়রে ইনানা লুপগী ।
নোংদোল চঙ্ক লাইজনা
খিকথরে লুপা মকূপ্পা ।
পাইরে চেক নোইম্না
লূপাগী আমৃত যাবা ।

---

[ ডিংখলক্ত

# নোংগী পাওজেল

অহাংবা অত্যাদা পাইরিবা
মরোল থানা কুপ্লিবা
থরায়গী থরায় ওইরিবা
পাওজেল লাউরক্লে নোংনা।

ভংলক্লে ভুং-ভুং ভংনা
পিরক্লে পাওজেল মশানা
মাগথোং খাদ ওস্থরক্লে
লাউখো না পাওজেল চেল্লক্লে।

"কালেন মুংশা মৈশানা
চরম কলগী মালেম্না
[illegible] পম্না থরুবা
[illegible] নচিন [illegible]না।

রাকরণু ঐহাক লক্লান
ননাক্ত নীংথৃপ্তা থুগরান।
নাপাশা কালেন্দা পথরবী
রাগনু ঐহাক লাক্লনি।

হৈবাং লৈরাং নখোযনা
পান্নবা অনৌবা লৈনা
ঈশিং চাইবীগে নখোদা
লৈশাং ভমহুনা নোক্লবা।

ভাযরম্বা মাযথোং মক্পা
ঐবু য়েঙ্হুনা র্না
হো লৌমীশা [illegible] !
থোরা লো শম্পোং বারম্নু

য়াঙ্গলগী তুরেল নম্নু
থৌগংলবী পুখ্রি নম্নু
নবুক পেন্না থরুপা
য়োরক্লে পথরম্নু খোগাদা।

---

## ব্রাখল

অ[illegible], [illegible], [illegible],
নিথৌ [illegible], অম—
ব্রখল ন[illegible] শ[illegible]ন্নি।

থম্মোয থৃহুম চনবা,
মীবু পূজা কৎপা,—
ব্রাখল নংগী শাকলোন্নি।

উরোং খিনবা পুন্সি
মুক্তি ফংবা পুন্সি—
ব্রাখল নংগী শকফম্নি।

[ ত্রিংখংলক্ত

2713

# শরৎ পূনিমা-দ

চইগী অহুমশুবা শবৎ ঋতুদা
নোংপোক চীংদোন্দা মায়থোং পূর্ণিমানা
ছিকথবা উরশী ভাঙলৈ' ভাথ'না।
তথক তথক্ক' থরান থবানা
তপুপা য়েংলহুনা অডৌবা মমায়না
লমথুং পথোল থায়ক্লে মাল'দা।
কেল্লকপা শরৎকী উনা য়ানাবু
হুমহুনা পূবগুম লমথুং তান্না
নোংচুপ চীংদোন্দা পূবিগ্রে পূর্নিমা।

---

# কালেন মৈশা-দ

মৈশানা যৈবদা মৈহৌরী মালেম
লৈঙোয় মরিক্ক পাইরি মৈরিগুম।
মচিন কাথোক্লুনা লৈপানগী লৈরাংনা
ঈশিং থক্লি পোর্কান্দা কৃমহুনা।
খুইর' লৈনানা লেকথনা কোরি
কাহুৎল' মশানা ভাথরী লৈশাদা
লৈঙোয়থক্তা চৎলিবা নোংগী মমি।

---

# ঐবু কৌরি

ঐবু কৌরি লেপ্প লৈতনা
লৈঙমদে খোঞ্জেলতু থওইদা'
মায়া মরক্তা মপ্পবা ময়ায়না।
মালং মলয়ানা হুম্পিবা পাৎয়ায়দা,
হাই হুমলিবা খেঞ্জোং লক্তা
শাৎকায়বা থম্বালদা খোয়মুগী ঈশৈনা !
কৌরি ঐবু জগোয় ইশৈনা !
থম্বালগী লৈনম্মা চূরবা মালংনা।
হুমিং তারমদগী লিক্লাগী মশিংকা,
পিক্লবা ইথক্কী ঈলবা ঈশৈনা
থম্মাথক্তা তাব অচাইবা মননা
কৌরি ঐবু শুং হত্তুনা।
কল্লক য়েংথি যেক্ক লৈত্রবা
থাংমৈ থাম্রবা অকিবা লৈত্রবা
খোয়মু ইনবা থম্বালগী পাংতগী
রারবা মতম, হু ডাইবা মংমদা
ঐবু কৌরি লেপ্প লৈতনা।।

———

# ঋতু রানী

হে বসন্ত !

নংনা পুরক্কুনা অপোম্বা অশাংবা
মচু-মচুগী লৈ লাংলে ।
চম্পক চাং অশংবা মচুনা
শেংহল্লে, শংহল্লে, শাংবনা শনা ।
অনোবা মকু শিন্দুনা ওনা
ঈশিংগী ঈরু দা ঈরোইরে ঈংনা ।
হৈয়াংগী হৈকোলগুম হৈজিং ফারবা
ওইহল্লে ফৌবগী বসন্ত নংনা
পৌ চিল্লবা চাযংখোই খেইমুবু
থকহল্লে হৈরাং-লৈরাংগী আমত ।
মরক্ত মপুগী অশংবা ফিজোলদা
উহল্লে মেং নন মা নাক নংনা ।

—

# ঐখোয়গী ইমানি ভারত

য়েংউ মরুপ !

অশেংবা তীর্থ কয় লৈবা
ধর্ম্মগী ইচোংনা মপাল থম্মোয

কাচিন থুংনা চেলহনবা ভূমী
য়েংউ ঐখোয়গী ভারত ইমানি।
মফম্নি দলানগী সহরনা য়োম্নবা
নিংথৌ নিংথৌরেলগী ফুরা দলাম্না
কাকোয় কাগুম্বা লৈরিবা লমনি।
মফম অসিদা উরোই নংনা
নিংথোনা চাউবা পীকপা প্রজানা
মনাইনা পীকপা মপূনা চাউবা।
লমদমনি ভিক্ষারী নিংথৌ মাম্নবা।
পুম্নমক অমত্তা ওইনা শুরগা
ফংলকপা থরনা মচানি পেঙ্গবা
পুম্বগী পুন্সিনি চম্ন লেল্লবা
ঐখোয়গী ব্রাখলনি ব্রাংনা থল্লবা।
মাঙ তাকপগী অকিবা পাম্ব
জীব হিংসাগী ভুচুবদ হয়াওবা
অধর্ম্ম ধর্ম্ম খায়দনা চৎপা
লমদম মত্তে ভারত ভূমী।
হিমালয়না কোক্তা লুহুপ ওইবা
গঙ্গা-যমুনানা থম্মোয় শেংবা
বঙ্গ সাগর ভারত মহাসাগরনা
ইমাগী খুয়া থম্বাল শেংলিবা
শান্তী দেবীনী মৈহৌ মালেমদা।

## 'ঐখোয়গী ইমানি ভারত'

য়েংউ মরুপ!

অখেংবগী তীর্থ কয়া লৈবী
ধর্ম্মগী ইচেলনা মচাগী থম্মোয়
কাচিন থুংনা চেলহনবা ভুম্বী
য়েংউ ঐখোয়গী ভারত ইমানি।
মকন্থ্র দলানগী সঙ্গনা য়োম্লবা
নিংথৌ নিংথৌরেলগী ফুরা দলান্না
কাকোয় কাগুম্না লৈরিবা লমদিদা।
ফক্ম অসিদা উরোই নংনা
নিংথৌনা চাউবা পীকপা প্রজানা
মনংম্না পীকপা মপুনা চাউবা।
লমদম্থ্র ভিক্ষারী-নিংথৌ মান্নবা।
পুন্নমক অমত্তা ওইনা শুবগা
ফংলকপা খরনা মচানি পেঙ্গবা
'পুন্সগী পুন্সিনি চম্ম লেল্লবা
ঐখোয়গী রাখলনি রাংনা থল্লবা।
মাঙ তাকপগী অকিবা পান্থ
জীব হিংসাগী ভুচুংবদ হয়াওবা
অধর্ম্ম ধর্ম্ম খায়দনা চৎপা
লমদম নত্তে ভারত ভূমী।

হিমালয়না কোংবী লুপ্প ওইবা
গঙ্গা-জমুনানা থম্মোয় শেংবা
বঙ্গব সগর ভাবক মহাসাগরনা
ইমাগী খংগী থংখল শেংংলবা
ঐহৌ মালেমদা শান্তি দেবীনী।

---

## 'ভুম্নো-ভুম্নো'

ভুম্নো ভুম্নো শর্জক থবা
ভুম্নো থংলে পাব তারা
থেংলন অযুক্তী লাইথ জগোয়।
অথেংবা অংহনা অত্যা লম্পাক্তী
চাক্কাবিবী থবান চেয়াম্না খম।
পোংথংকী বাংগী লনপা হৈগোকস্থ
হজু-হজুরনা পুক্তাইনা তুংথো।
কপ্রুনা পেম্ম য়াবমনব, মে বাপ্পীস্থ
ঐগী নাকন্দা কম্না তুমংঙ্গে।
শান্নবদ বাববা মীংঙ্গা থম্বালগা
ভুম্ন ঐগা কৈজুপ মন্নুংদা।



[ তিংবাংলক

## 'মতমগী তোবর্বান্দা'

চেন্না চোংনা
মতমগী তোর্বান্দা শাইন্নে অঙাংনা।
চেগায়, চেজেংনা
উনাগী ঙা লৈতুনা শাইন্নে।
শায়বং পোকপান্না
লৈঙোয়গী দলান শারগা য়াংকল্লি।
মতমগী কোইহুরবা
ঈয়াযদা পুন্নি অহন্না।
লেপ্পা লেইনা
মনি থিরি ঈনাশং ঈয়াংয়দা।
আশাগী লমজিংদা
পল্লবা চাংজোদা ইন চুন্দে



## 'ঈনৈগী শুরদা'

অথেংবা অহিংগী অচিকপদা
নংগী ঈশৈগী শুর তাবদা
লেপ্পুনা লৈবা উহানা

নংগী ঈশৈগী শৈদম শকই।
নংগী ঈশৈগী খোঞ্জেল তাবদা
লেপ্লুনা লৈরম্বা চীংগী চীংদোম্না
মথরাই পাল্লি জগোয় শাই।
লেপ্পা লৈতে খোঞ্জেলগী খোম্বাং
খোম্বাং খমদে নংগী খোঞ্জেলগী
নংনা উচেক্কী খোনাওদা খোংলি
নংনা নোংগী নোংলক্তা ভংলি।
শরৎকী নোংনা চাম্লবী লৈনাদা
ছন্দ পীরি ঈশিংগী ঈরিক্কা।

---

## ‘অমম্ব অহিংদা’

অমম্ব অহিংদা
চৎকনি কদাইদা
মঙাল লৈত্রবা
লমথুং থংদ্রবদা।
অমম্ব সমাজদা
চৎকনি কদোগদা
অচুম্বা মাংত্রবা
অয়ানবা মরক্তা

 [ ভিংথংলক্ত

মমলবা রাখলনা

কনাগী ভুংইম্রি

মঙালগী কিজি

অমম্বদা মাংগ্রে।

অথেংবা অহিংদা

লৈজরগে লোৎতুনা

চাগ্রগনি অঙানবদা

শা-কৈনা

অমম্ব অহিংদা

কনা লৈবগে

লমজিং মৈবা

নতুং ইনজগে।

---

## 'অঙাংগী ঈশৈ'

হে মতম উঙমত্রবা

চৎলিবা শোকঙম খঙঙমত্রবা

নংগী নমাং থাত্রুনা

ঙম্ন চীংচেপ কাত্রুনা

ৱাংল' চীংদোন কাখিবা

চীংগী চীংদোন চৎখিবা

মাগী মাও থাদুনা
চাওর' চৌংদোন কাথৎকে।
চৌংদোন মতোন লোমলগা
নোংগী নোংজুম কাথৎকে
চোংনা চোংনা কাথৎকে।
স্বর্গ জয় তৌরুগে।
অনৌবা লম পুথোক্লবা
অকি ইথক মায়োক্লা
জহাজ তোংনা কাওখিবা
হিরোয় মাগী মাওথানা
পাক্ল ইথক লন্দুনা
পুথোক্লুগে অনৌবা লম।
লোমত্র মতম তম্পাক্লা
লমজেলদ লৈরিবা পুন্সিনা
মতমগী মাং তাল্লিবা
চিংবা শিবগী মরক্তা
পাঙল থেক্লিবা শক্লাইবা
মাগী মাং থাগৎকে।

---

# 'উরমদে কিরমদে'

নত্তুনা

করিসু কিরমদে

মায়কৈ মরি'দৈ

ঈরাংগী ঈথক্ক য়েবদা

মখোঙ ময়োল চাথৎলবা

কিন্থৎনা মাঙগদবা সমাজ।

কোক ঙ'উরম্মী,

শমাং শোরম্মী,

খুর মপা হোল্লম্মী,

কিন্থগান কিদুনা পাকথরম্মী।

চাউর চাউরবা ঈথক লাক্লম্মী

খিংঙম থিঙ্ঙেলসু নমখাইদ্রে।

কিন্থবম্মী

মচেৎ-মচেৎ তারম্মী।

কোক্নান্দা

মখোঙ চাথৎলবা য়ুম্বীগী

দলান

তুনিং তুনিং লৈরী।

নোংথাং চাইর' সমাজ।

শদোং,

শরুগী সমাজ;
নেংথংলবা সমাজগী মীদা
লঙ্কানা,
খুন্নুখঙনা,
তমথবি
মুম্নাও সজেল মচেংশিং
শাজনদুনা শক্তি অহানব অযুক্তা।
মরৈন মনৈরবা ঈচেল মহি
মচু মচুং মনৈরবা মহি
থম্মগী
থদি অমোৎপা ঈশিং।
হে শরৎ!
হে সপ্ন!!
হে মরম!!!
ফম্ম ডুপ-পুথ
নংগী লেপএবা ঈচেলদা
ঈরৈগী ঊনাশম থাউথদি পুন্সনা।
চৎখিবা পুন্সগী
খাকখদ খাংদে
পোলোয় পুন্সিগী
খল্লি-খল্লি খোযবাংই।
পুন্সিগী অযুক্ত অহানবা


[ তিংখংলক

মণিগী মচুগী মরক্তা
থাংগী নোংমৈগী
ঈগী - লম্মনগী, সংসার
উবমদে—
কিরমদে
সমাজদা
ভেল্লবা পুলিস
চংথিগী মকুমদা পোত্থারিঙৈ
শরক শেমদিঙৈ
ঈগী ঈপুং লৈরিঙৈ।

---

## 'লৌবিয়ুনে কংচবা লৌবিয়ুনে'

ইঙা লৈংকোল লৈকাদে
নোংলিক্কী শাফু মৈক্রিঙৈ
নোংলিক শরংক্তা চামক্রিঙৈ
লৈরাং লৈকা পোমলিঙৈ
লৈবাং লৈচু লৈরিঙৈ
লৌবিয়ুনে কংচবা লৌবিয়ুনে।
অত্যাদ পাইবা লৈচিল্লি
অপাবা নোংলিক্না চোৎলবী

থম্মোয় লৈহি পল্লবী
লৈকাদ নোংলিক পক্লবী
লৈরাং লৈহিনা লুম্লবী
লৈরাং থুজোক অমতগী
লোবিয়ুনে কৎচবা লোবিয়ুনে ।

---

## 'পুর্নিমাগী অহিং'

ঐসু ইশা' লৈরমঙ্কবদি
লাক্লম্মি ননাক্ত মুতিগী
নংগা লোয়ননা চৎমিন্নবা
অথেংবা অহিং পুদিংদা
উচেক্লুম ননাক্ত লাক্লুনা ।
থাশি থানিন নাইদ্রবা
মকমতুদা সৈনিংলম্মী ফমতুনা
পেল্লনদে নোংমতগী পুর্ণিমা ।
ঙসি চৎসি চিংলরী
থোংনাও কাওনা চংলক্লি ।
তেল্ল পুন্সি থোদাংনা
মায়কৈ মরিদে থৎথিবনা
চোঙঙংথিদে চেকপল থারম্বা ।

লমহাংগী শান্নবুং অচিকপা
পুন্সিগা পুর্ণিমাগা শান্নবম্বা
চৎথ্রে অকিংগী অচিকপদা
ঐবু কৌনা কৌনা।

---

## 'ইমা নংনি মণিপুর'

চীংলোন মাপন্ন কোয়শিনবা
মথক্তা ভস্বলগী শম্বলদা
ইমা'বু নিংবা নচানা
ভান্নিবা মতম পুম্বদা
ইমা নংনি মণিপুর।

পোম্নম্ন থাম্নী চরো'না
সনা মন্নিক পান'গুম্বা
লোইবী চীংথোং চীংথেংনা
মালং ইপোমদা হাইহম্বা
ইমা নংনি মণিপুর।

উহৈ চরোংনা মংলবী
ঈশিং মু'শিং শেংলবী
নচাবু লুনা য়ে'ক্লবী

নচাগী হকচাং কৎহনবী

ইমা নংনি মণিপুর।

ভুরেলনা থেক্লা চেল্লিবা

চিরুবা উনাগী খাংপোক্লা

হৈরাং-লৈরাংগী মনম্মা

সংসারবু কলাদা ওকহনবী

ইমা নংনি মণিপুর।

মুমিদাংবাইগী মতমদা

ঈশ্বরগী লাইশং করাদা

নচাশিংগী ধর্ম্ম চেনবা

হরাওবী মীথৈ শোনবদা

ইমা নংনি মণিপুর।

---

## 'কৈদনো থম্মোই'

হে থম্মোয় ! মিগী চাউবা

করিগী অদুক মীহো চাউরি !

লুপক্লে ৱারী কয়া মীহো চাউবগী

নেপোলিয়ন, দুর্য্যোধন, হিটলার, আলেকজেণ্ডর

জর্মনি, বৃটেন, ফ্রেঞ্চ, জাপান
নিকথি মীকুপ্তা মীহো চাওবগী।
হে থম্মোয়! নাপল চাউবা
লৈমিত্রা নংগুম্না নাপল চাউবা
মতিক চাউবা নিংথৌগী লম্চুম
থম্মোয়! নংনা চাকহল্লি মৈম্নিদা।
নহাক্না মীওইবগী শান্তি থুগাইদুনা
চুপই জীবগী ঊ শেগায়দুনা।
হে থম্মোয! অকেন তানবা
নহাক্না ওইরি তাইবংগী মায়া
নংবু কাব শুমদবগী মীওইবনা
ভুমগ্রে নংগী থোইনশিম লাক্না।
রামদ রাবণ, কৃষ্ণগী কংস
মৈথুরক্ত তিনগ্রে পুন্সি নাপল।
হে থম্মোয়। রারক ইন্দবা।
নহাকপু থুদুম চনবা ওম্নবা
বুদ্ধ, রাম, চৈতন্য, খৃস্ট—
মুনি করাগী পুন্সনা লমজিংলি
চীংমুং কংকাল জঙ্গল থুংনা
অমম্ব লমজিং মৈরাগুম জগৎতা।

---

# নিংতম ভারত্তা

অশেংবা ভারত্তা নিংতম লৈমায়দা
অকাশ য়ায়দ নিংতম লৈয়ায়দা
অঙোবা য়াযদা নিংতম লৈকোন্দা
অশে'বা মাল'দা হিন্দু লৈচিন্দা
পুরক্কুনা অমুক ভারত্তা লৈরে
পূন্য লম অইংবা লৈরে।
ইচেল য়ায়দ কংলক্রে তর্পন্না
ইচেল' য়ায়দা থংলক্রে অর্ঘনা।
চা'ইথরে মচু ভারক ভূমীদা
চাইথরে মচু ভারক ভূ-স্বর্গদা
হিমালয় মতোন্দা, জমুন-গঙ্গাদা
হিমালয় মখোংদা 'জন গন'দা
হিংসা মায়োক্তা জগৎ গনরাজাদা
হিন্দ মাতাদা জয় গান্ধীনা।

---

# পাইরে ওসি ভারত নোংদোল

পা'ইরে ওসি ভারত নোংদোন নিংতম কিরাননা
মালং ইশোম অন্যা শিন্না থম্মোয় তান্থাদা।
মৌশুমীনী তান্থাদা জগোয় শারে

[ তিংখংলক্ত

সত্য অহিংসা প্রেমগী মচুদা
থম্মোয় চাংজৌ ময়ায় কানা নিংতম শৈশক্লে
পাইরে ঙসি ভারত লোংদোল নিংতম কিয়ালনা।
অকনবা পোকপী অথৌবা য়োকপী
স্বর্গদগী হেল্লবী ভূমীদা
তিংথংগী মালেমদ লৈগুম শাৎলিবী অহিংসা লৈকোন্দা
পাইরে ঙসি ভারত লোংদোন নিংতম কিয়ালনা
মালং ইপোম অত্যা শিল্লা থম্মোয় তাম্থাদা।
গঙ্গা-জমুনাগী ইচেল লক্কা
ভারত-মহাসাগর, হিমালয়দা
লাউরি ভারত ইমাগী জয়না খোল্লাউ অমতা।
পাইরে ঙসি ভারত লোংদোব নিংতম-কিয়ালনা।

---

## নোংমা থাবলগী অহিংদা

নোংমা থাবলগী অহিংদা
ঐগী থম্মোয়গী মুংশিবনা
শকথি ঊশৈ অমা।
থাবল মঙালনা চাইথরবা
থম্নাথক্কী লিক্লা কাওনা
চৎখি ঊশৈদু শক্তুবা।
অচিকপা অহিংদ ঊশৈদুনা

তিনবি ম্যাংখি মালংদা
তাখিরে ঊখৈদু নোংমতা।
নোংমগু অমংবা হীরানা
থোরা তেনজৈ শাহুনা
নোংমা থাবলগী অহিংদা
লিরি নাপ য়ৌনচিং-না
থম্মোয় জয় তৌনবা
কাপখি নোংমা ঐনা।
ঐগী ইশৈ মাঙপ্রবা
নোংমা চাক্লিবা অমদা
সঙর চিদায় অমনা
থুং তিংনা চৎলম্মী
ঐগী ইশৈ শকুনা।।
ঐগী নাপন তেনজৈ
তাহুনা লৈরম্মী অরেম্বদা।

---

## হে বীনা !

হে বীনা !
থোংলক্লদু ঐগী থম্মোয়দা
নংগী শুম্মাৎ শুরনা



[ তিংথংলক

থংমোর অত্যা নিলহন্দুনা
খোংলক্লম।
পুং, জগোয়-তালগা,
য়েৎশিন্নবা
ঐবু ঙাওহন্নবা খোংলক্লমু শুরণা।
নংগী পীক্ল তারা অময়মগী খোঙ্গোক্লা
ঐবু পুরমু লমজিংনা
খুৎশন্না।
ঐদি ইথয়তা হিক্লা-হিক্লা
কপহৌগনি নঙনা খঙবীদে
কপহৌগনি নঙনা খঙবীদে
নংগী
সুংশিবা শুরনা মাংশ্রবদা।

---

## থাবলগী মঙালদা

থাবলগী মঙালদা সমুদ্র তোর্ব্বান্দা
ইথক কারক্লি লুপা মহিনা।
চায় চুম্নি উগী মতোম্না
সুংশিৎনা চেন্নক্লি ঈপাক কাওনা
পুন্নুনা ঈপাকী লেংক্রবা ঈযায়।

চিন্নবা অহিংগী তোৰ্ব্বান তন্না।
লিক্লাই পুম্প্রি থাবলগী মণ্ডালদ
চোংলি অহিংগী মণি মন্নিক্ক
অকাশ হম্না চেনখংত্রি মালংনা
উরক ন্নারক অত্যা কাওনা।
অত্যাগী লৈচিন মপৈ খোম
ঊংক্লা ন্নাংন চোংথংলি খোংবান্দা
চাইরিবা থন্নান মপৈ অকাশতা
খোমজ্ঞনা পুখরে চংখরে পুক্লুনা।

---

## চন্নাংলক্ত থরো

চন্নাংনা য়োম্নবী থরোগুম
ইকায় ফিকক খুংলিবী
শকুন্তলাবু লৌশিন্ন মহান্নাজ
করিগী ইস্লোক্লি তোল্লবীবু।
শুং লাংগী কপ্তুনা
নংগী মায়কৈ য়েংলি.ভৈদা
মুনিগী শাপ কংহুনা
নিংশিং খুদোপ মাঙজ্রবীনি।
মীংস্না ইভা নোংজুনা

নোংখোং ফুইবা নোংলিক্লা।
শিন্থরক্লে মীৎলু অনিদগী
তাউরক্লে সভা পীরাংদা।
কণ্ব মুনিগী আশ্রমদা
নংনা শাদাম লাকখ্রেদা
কায়খিবদাই নংনা অদুখ্রেদ
তোল্লবীবু থাদোক্লোয় হায়না।
মাগী খেংবু মতাশিংদা
য়েংজরিবী চিংন'-কপ্পা
লাংচবীবু জঙ্গলগী খাংপোক্তা
ভাইওৱৈ নংথোকপীনু কোন্থ'দা।

---

## মিংথৈ শোনজবনা তোল্লবনা

মিংথৈ শোনজবনা তোল্লবনা
লানজগে ভাইবং ইপাক।
ইন্দ্রনা মপুনি থুরুপ্লি
দেবকীনা মচানি পমজরি
মপুও শকলোন লিশিংগী।
শোল্লি হিরন্যকাশিকপুনা

নংবু অভতার ওইনা
বলিনা ,অনেম্বনি খল্লিবা
মুক্তি লিশিংগী মপুও।
রাবননা মীচমনি খল্লিবা
কংসনা অঙাংনি উরিবা
সৃষ্টী প্রলয়গী মপুও।
জীব পুম্নবু লাময়ীবা।

---

## লাক্লো সাহিত্য প্রেমী-প্রেমিকা

লাক্লো সাহিত্য প্রেমী-প্রেমীকা
চংলসি সাহিত্য দেবীগী মন্দিরদ।
চমলসি থাল্লসি মৈরা চাম্ম
ধুপকী মৈথু কংলসি থুম্নাদা।
সাহিত্য লৈহি তাম্নবং ওম্বালগী
থুরা খম্বালদ পীনবী দেবীগী
কুম্মৈগী হৈরাং মৈতৈ হৈকোলগী
লৈরাং থুজোক কংলসি কুমহিনগী
পাল্লবা আম্লুক মালেমদা তুগী
হৈরাং সাহিত্য হৈকোলদা নিরুমি।
অপোম্বা খম্বাল বসন্ত মেম্নিংগুম্বী

থম্মোয়দ থাম্বীবু মৈরা নমোমণী
পারি ঐখোয়নি মৈতৈ চনুগী
পাইজগে সাহিত্য মৈরা লমজিগী
উংগীবু মৈবা তাইবং অত্যা'
ছানসনু জগৎ তা নংগী সাহিত্য।

---

## 'হৌহনবীগো মীনা ভারতা লৈবাং'

হৌহনবীগী চাউখৎলবীবা ভারতত লৈবাং
চাইজগে অমসুং ঘরগী ওইনা
হিন্দু মুস্লিম, দ ঈসাই,
অমত্তা ওইনা লৈবাং চাবদা'।
শাংহনবীবু নল্লক যেংখি লৈরবা
সাংগ কমানা ঠংখি, পাগীবা
লিপ্না 'হিমালয়' জমুন-গঙ্গা না
অরাপ হৌবা শাংগত পুনাপা।
চীংমা চংমীবু অমসু, ওইহনবীবু
লৈলিনা থল্লবা মৈরাং শাংহনবীবু
ব ব হেংখি কনাগী মীৎয়েংদা
ওমান হাংহনবিনু লৈগৎলো হয়া।
পা। । নলক, শান্তি, ওমেম্না

হুমাং মমা ভারত ভূমীদা
থারম্ব অহিংসা লৈরা' ভারত্তা
লৈনম য়েনবীরো মালেম থুংনা।

---

## 'লাক্রো মতম থেংখ্রে'

লাক্রো মতম পেংখ্রে
নংদি তুমদুনা লৈখ্রে
মঙ মঙদুনা লৈখ্রে।
পশুং নমাম্বা কয়া
খুৎলায়-খুৎলায় পায়দুনা
চৎখ্রে তাম্বং লানশঙদা।
তুংগী মঙলান ও মরৈ
রাখল লানবন শারিবৈ
গী.চৎ উরোং থিরিবৈ
নংগী খুৎলায় কেংলিবৈ
অতৈদি লোয়খ্রে য়েংলিবৈ
নংগী খুৎলায় কদৌবৈ
কয়রোই অমুক কদৌবৈ।
লাক্রো মতম পেংখ্রে
লোম্বোক্ত' য়েক্ক লৈখ্রে
অমস নমত্তা পৈখ্রে

নংবু ঙাইদুনা লৈগ্রে
লানগী লবুক্তা শিংগ্রে।
মতমবু ঙায়দুনা লৈফদে
তুংগী খন্দুনা তৌফদে
লাক্লো তন্দুনা লৈফদে।

---

## 'তিংখংলক্ত গুলাব'

তিংখংলকী গুলাব'
ঐহাক লাক্লে
মেঙল' নুংশা মঙালগী লৈকোলদা
ঐহাক লাক্লে ঊশৈগা লোয়নন।।
অশংবা লৈনারক্ত পোমলিবী
লৈকা লৈ'দা কেন্দ্রিবী
শাংবো ঐহাক লাক্লে।
ঐগী মঙাবদা পেনত্রবা
লোইবা লৈত্রবা থম্মোয়দা
লৈরাংগী লৈচুগনা মেঙবা
লৈকোলগী লাক্লিবা মঙালদা
শাংগো ঐহাক লাক্লে।
অশংবা হৈরাংগী চীংচেপ্পা
অশংবা মনা মরকতা

অভাংবা অশংবা হৈরকতা
লৈচিলনী ভৌরুন' কুলবা
শংবান সমুদ্র তোর্বন্দা
মচু তরেং পুহুনা
শুর তুরেং পুহুনা.
শাংরো ঐহাকা কাক্রৈ।

২০১৩

---